লোকদাউন মনুংদা সর্কিট ট্রেনিং

- লৈশাংথেম অজিৎ -

লোকদাউন্না মরম ওইদুনা ঐখোয়না নীংতম্না চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়াদবা মরম্না অয়ূক্তা য়াম্না ঙন্না, থেংলপনা, নুংথিলদা ঙল্লপনা অমদি থেংনা হকচাং শাজেল ওইনা ৱাকিং চৎপা মীওই কয়াদা অকায়বা পীবা অসিনা মরম ওইদুনা খেন্ন-খেন্নবা চহী কাঙলূপকী নুপা-নুপীশিংদা তৌফম খঙদবা অমা লাক্লে। চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা নুপা অমনা মরক-মরক্তা পোথাগদবনি। তৌইগুম্বসুং নুমিৎ য়াম্না শাজেল লেপ্লবদি মহাক্কী ৱাখল নুংঙাইতে। অদুগীসু মথক্তা হকচাংগী মসলশিং খক্তা নত্তনা হকচাং মনুংদা লৈরিবা হার্ট, লঙস অমসুং অতৈ মরু ওইবা হকচাংগী কয়াৎশিং অসি শোন্থরকই। মসিদা মখোয়দা লৈরম্বা য়াম্না শাংনা চৎপা ঙম্বগী দম (ষ্টেমিনা) অদু তপ্না-তপ্না মাঙশিল্লকপগা লোয়ননা মসলশিংসু শীজিন্নবগী চাং ৱাৎপা মরম্না খজিক্তং ওইরবসু পাঙ্গল শোন্থরকপগুম্না তৌই হায়বা ঐখোয়না ইশাদা ফাওই। লোকদাউন অসি মখা তানা অমুক শাংদোরক্কদ্রা, শাংদোক্লোইদ্রা হায়বা ঐখোয়না খঙবা ঙমদে। মরম অদুনা ঐখোয়না অঙম্বা পান্বে শীজিন্নদুনা মহৌশাগুম্না ৱাকিং চৎপগী মহুত্তা হকচাং শাজেলশিং তৌনবা হোৎনবীগদবনি।

নোংজুথাদা ৱাকিং চৎপসু তম্বা ঙমদে। অয়ূক্তা নোং কন্না তারকপা অমদি নুংথিলদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ লাকপা কয়ামুক ঐখোয়না থেংনরি। মরম অদুনা ঐখোয়না মনাক নকপদা লৈবা কম্মুনিতি হোল নৎত্রগা লৈকায়গী মান্দব মনুংদা ৱাকিং চৎপা কয়ামুক থেংনরি। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না নোংমদা কিলোমিটর অহুমদগী তাদনা চৎপা তারবদি কম্মুনিতি হোল মনুংদা হন্না-হন্না কোয়না চৎকদবনি। কম্মুনিতি হোল অদু চাউবা পিকপগী মতুংইন্না ঐখোয়গী খোঙকাপ মশীং নৎত্রগা মিটর কয়া চৎলি হায়বা চাউরাক্না খঙদোকপীবা ফৈ।

ঐখোয়না নোংমদা য়ামদ্রবদা কিলোমিটর অহুম অমদি মরিগী চাংদা চৎপা তারবদি কম্মুনিতি হোল অমগী মনুংগী শরুক্কী অকোয়বা অদু হন্না হন্না নিফু/য়াঙ্খেরক কোয়না চৎকদবনি। অদুগা অপিকপা মান্দব কুম্বদনা মসিদগী হেন্না মশীং য়াম্না চৎকদবনি। মরম অসিনা ৱাকিং চৎলিবা/চৎলিবীশিংনা অপিকপা মফম অমদা হন্না-হন্না কোয়না-কোয়না চৎপা নৎত্রগা চেনবা অসি ঐখোয়দা নিংহন্নবা, তল্লকপা, পান্নক্তবা, বোরিং ওইরকপা অমা ফাওরকই। মরম অসিনা ঐখোয়না শাজেল মখল অমখক্তমক নুমিৎ খুদিংগী তৌরোইদবনি। ঐখোয়না মরক মরক্তা তোঙান-তোঙানবা মওংগী শাজেল তৌদুনা ৱাখলসু নুংঙাইহনগদবনি। শাজেল অদুগী কান্নবসু লৌগদবনি। চৎথোকপা য়াদবা অসিনা য়ূমদা অমদি লৈকায়গী লম্পাক্তা, কম্মুনিতি হোলদা, শঙ্গোয়দা, শুমাংদা অমদি অপিকপা কা অমদা তৌবা য়াবা ঐখোয়দা য়াম্না কান্নবা শাজেলশিংগী মরক্তা অমদি সর্কিট ট্রেনিংনি।

সর্কিট ট্রেনিং অসি প্রাইমারি স্কুলদা তম্লিবা অঙাংশিংদগী হৌরগা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন ফাওবনা তৌনরিবা শাজেলনি। স্কুলগী অঙাংশিং অমদি কোলেজগী মহৈরোয়শিংগী চহী খেন্নবা, মপাঙ্গল, দম অমসুং এক্সপরিয়েন্স খেন্নবা মরম্না, শাজেলগী মওংসু খেন্নগনি। শাজেল অমা পাঙথোকপদা কয়ারক হন্না পাঙথোক্কনি হায়বগী মশীংসু খেন্নগনি অমদি মখোয়না সেট কয়া তৌগদগে হায়বসু তোঙান্না থমগনি।

শাজেল অসি অৱাংবা থাক্কী শান্নরোয়শিং অমদি টিম গেমসকী খক্তা নত্তনা এথলেটিক্স, স্বিমিং, জিম্নাষ্টিক্স, রেষ্টলিং, জুদো অমদি করাটে অমসুং টাইক্কান্দোনচিংবা শান্নরোয়শিংগীদমক য়াম্না কান্নবা মচাক অমা ওইরি। সর্কিট ট্রেনিং অমুক তৌবদা শাজেল ৮দগী ১০ ফাওবা শীজিন্নৈ। অদুবু চুম্না চহী নৌরিবা অকক্নবা স্পোর্টস অমদি গেমস অমদা স্পিসিয়েলাইজ তৌদ্রিঙৈগী মতম প্রাইমারি অমদি মিদল স্কুলদা তম্লিবশিংগীদমক্তা অঙাং ১০দগী ১৫ ফাওবা তৌবা য়াগনি। অদুবু শরুক য়ারিবা অঙাং মশীংগী মতুংইন্না শাজেল মশীংসু মান্নহনবনা অঙাংশিংগী মপূক্লিং থৌগৎপা হেল্লি।

নুপামচা নিপালদা শাজেল অসি তম্বীগে হায়রবদি মখোয় নিপাল থাপ্তুক্না কোইরোক কোয়না লেপহনগদবনি। মখোয়গী লেপফম অদুবু ষ্টেসন হায়নসু খঙনৈ। মখোয়না লেপলিবা মফমশিং অদুদা অহানবগী ওইনা চে অথাবা ষন্থি চেগুম্বা অমদা মখোয়না তৌগদবা শাজেলশিং অদু য়েকথোকপীরগা নৎত্রগা শাজেলশিং অদুগী মমিং থারগা থম্বীগদবনি।

ওজানা হুইসেল হেক খোংবগা মখোয়না লেপলিবা মফম অদুদা য়েক্লিবা শাজেল অদু পাঙথোক্কনি। মতুংদা ওজানা হুইসেল হেক খোংবগা অঙাংশিং অদুনা মহাক মহাক্কী ষ্টেসন অদু থাদোক্লগা মথংগী ষ্টেসন্দা চৎলগা লেপ্তুনা মফম অদুদা থেত্তুনা থম্লিবা শাজেলগী মওং অদু তৌগদবনি। মদুগীদমক ওজানা হুইসেল খোংবা অদু ঙাইগদবনি। থৌওং অসি মখা তানা চত্থরক্তুনা ষ্টেসন নম্বর অমদা লৈরম্বা অঙাং অদুনা ষ্টেসন নম্বর নিপালশুবা য়ৌরক্তুনা পাঙথোকপা নিপালশুবা শাজেল অদুনা রাওন্দ অমা লোইরে। অঙাং মচাগীদি রাউন্দ অমা/অনীনা য়ারে। তৌইগুম্বসুং খরা চাওখৎলবা হায় স্কুল অমদি কোলেজগী থাক য়ৌরক্লবদি রাউন্দ অহুম/মরি পাঙথোকই। রাউন্দ অমমমগী মরক্তা মিনট অনীরোম পোথাগদবনি। অদুবু অশেংবদি শরুক য়ারিবা অঙাংশিংগী মিহুলশিং অদু মিনট অমগী মনুংদা হুনবগী চাং অদু য়েংলগা তৌবীগদবনি।

মালেমগী মমীং লৈরবা ফুটবোল শান্নরোয়, হোকি, ক্রিকেট অমদি লমজেলোয়, তা লংবা অমদি নূং হুনবনচিংবশিং সর্কিট ট্রেনিং অসি মখোয়গী ট্রেনিংগী মরু ওইবা হীরম অমনি হায়বা মথক্তা পঞ্জখিবগা লোয়ননা ট্রেনিং অসিনা মপাঙ্গল কলহল্লি। মপাঙ্গল কুইনা মতম শাংনা ফুদোকপা ঙম্মী হায়বদি ষ্ট্রেঙথ ইন্দুরেন্সকীদমক য়াম্না কান্নহল্লি। খুদম ওইনা মুক্না শান্নবদা শান্নরোয় অনী অদুনা কোন্নরগা মতম কুইনা মুক্লদুনা অমনসু ঙমদবা অদু ষ্ট্রেঙ ইন্দুরেন্সকী খুদম অমনি।

ফুটবোল শান্নরোয়শিংনা ফুটবোল শান্নবা লোইরমদাই ফাওবা মপাঙ্গল হন্থদবা অমদি মহাক্কী খোঙজেল হন্থদবা অদুমকসু ষ্ট্রেঙ ইন্দুরেন্সকী খুদম অমনি। ঐখোয়না ষ্ট্রেঙথ ইন্দুরেন্স, স্পীদ ইন্দুরেন্স হায়বা ৱাহৈ অনী অসিদা স্পীদ ইন্দুরেন্স হায়রগনা নুপা অমনা লমজেল মতেক চেনবদা সেকেন্দ ৬কী মনুংদা খ্বাইদগী য়াঙনা চেনবা ঙম্মী হায়বা ATP-CP (Adenosine triphosphate - phosphocreatine) গী মরমদা অখঙ-অহৈশিংনা হায়রি। ●

ষ্টেটকী পাউ

মোইরাংগী লৈকোল পুখ্রি ফুনজিন্দনবা মণিপুর হায় কোর্টনা দিরেক্সন পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস): মোইরাং পার্ট-২গী মনুং চন্না মোইরাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর-৭তা লৈরিবা মীওই লিশিঠ ৩ লোম্না ঈশিং শীজিন্নরিবা 'লৈকোল পুখ্রি'বু মীওই খরনা কম্ম্যুনিটি হোল শানবগীদমক ফুনজিন্নবা হোৎনরকপগী মায়োক্তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা রিট পিটিসন অমা ফাইল তৌরকপদগী কোর্টনা ফুনজিন্দনবা দিরেক্সন পীখ্রে।

পুখ্রি অসি ফুনজিন্নবা হোৎনরক্লে হায়দুনা হায় কোর্টতা পিটিসন নম্বর- ২১৩ ওফ ২০২০ ফাইল তৌরকখিবা পিটিস্নরশিং অদুনা মোইরাং মাইরেনবম লৈকাইদগী কোঞ্জেংবম মোহোনচন্দ্র (৭৬), অপোকপা এম রাবৈচন্দ্র, মাইরেম্বম বিরেন (৭২), অপোকপা লৈখিদ্রবা এম য়াইমা, মাইরেম্বম সঞ্জিব (৫২), অপোকপা লৈখিদ্রবা এম খেলেন্দ্রো, মাইরেম্বম প্রফুল্লো (৬৪), অপোকপা লৈখিদ্রবা এম য়াইমা অমসুং মোইরাং ওকশোংবুং ৱার্দ নম্বর-১১দগী য়ুমখাইবম শ্যাম (৫০), অপোকপা ৱাই মনিহার অমদি মোইরাং সেন্দ্রা রোদতগী কোঞ্জেংবম বাবু (৭০), অপোকপা কে সনাজাওবনি। পিটিস্নর পূম্নমক লৈকোল পুখ্রি অসিগী লোকেলিটি অমসুং মোইরাং ষ্টেট পুখ্রি প্রোটেক্সন এন্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটি, মোইরাংগী মেম্বরশিং ঙাক্তনি।

পিটিস্নরশিং অসিনা মখোয়গী রিট পিটিসন অসি মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (আর দি এন্দ পি আর), দেপ্যুটি কম্মিস্নর/এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর (দি আর দি এ), বিষ্ণুপুর, কে ঐচ ইবোচৌবা, বেনিফিসরি সেক্রেটরি (দি সী/ঈ দি, দি আর দি এ), বিষ্ণুপুর, মোইরাং লাইফ্রাকপম লৈকাইদগী লাইফ্রাকপম নাওবা (৪৮), অপোকপা লৈখিদ্রবা এল বাবু, লাইফ্রাকপম অপাও (৪২), অপোকপা লৈখিদ্রবা এল ইবোমচা, লাইফ্রাকপম রোমেন (৪০), অপোকপা লৈখিদ্রবা এল তেজো, মোইরাং ফিলেম লৈকাইদগী হেমাম বাব্লু (৩৮), অপোকপা লৈখিদ্রবা ঐচ য়াইমা, ফিলেম প্রিতম এলিয়স মহাজেন (৩৮), অপোকপা পি ঐচ তোম্বা, ফিলেম মাথে (৩৬), অপোকপা পি ঐচ অচৌবা অমসুং কোঞ্জেংবম রোশন (৩৫) অপোকপা কে কুমারবু রেস্পোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লগা ফাইল তৌরকখিবনি।

পিটিস্নরশিংনা কোর্টতা ৱাকৎলিবনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর/এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর (দি আর দি এ)না মোইরাং এ সীগী মফম খরদা তোঙান-তোঙানবা থবকশিং পায়খৎনবগীদমক এম এল এ লোকল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দদগী লুপা ক্রোর অমগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ এপ্রুভেল অমসুং এক্সপেন্দিচর সেঙ্কসনগী ওর্দর অমা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৭তা থোকখি হায়রি। শেনফম অসিনা পায়খৎকদবা থবকশিংগী মনুংদা সেরিএল নম্বর-২দা লৈকোল পুখ্রি অসিবু দিভলপমেন্ট/ রিনোভেসন তৌগনি হায়না য়াওই হায়রি। অদুবু মসিগী খূদোংচাবা রেস্পোন্দেন্টশিং অসিগী মনুংদগী নম্বর-৩দগীনা ১১ ফাওবদা য়াওরিবা মীওইশিংনা লৌরগা পুখ্রি অসি ফুনজিল্লগা কম্ম্যুনিটি হোল শাননবা হোৎনরকপনি হায়রি।

পিটিসন অসি জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরগী বেঞ্চনা লৌখৎলদুনা পাঙথোকখিবা মসিগী হিয়রিংদা পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল সী ঐচ মোমোন অমসুং রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেট জেনরেলগী সবমিসনশিং তাখি। লোয়ননা কোর্টনা নাকল অনীগী ৱারোলশিং তারবা মতুংদা বিষ্ণুপুরগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর/ এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর (দি আর দি এ)না থোকখিবা ওর্দর অদুদা য়াওরিবা লৈকোল পুখ্রি অসিগী দিভলপমেন্ট/রিনোভেসনগী থবকশিং অদু নৎতবা অতোপ্পা থবক অমত্তা পুখ্রি অসিদা তৌদনবা দিরেক্সন পীখিবনি।

এ বি সী আইগী মেকানিক ১ শিরে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস): বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ঙারিয়ান লম্বী শেম্বগী থবক তৌরিবা এ বি সী আই এজেন্সিগী মেকানিক অমা খঙহৌদনা ৱাখল তাদবদগী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎলকপদা লায়কন্নবা ঙমদনা শিরে। ঙরাং নুমিদাং পুং ১০ রোম তাবদা লৈখিদ্রবা এ বি সী আই এজেন্সিগী মেকানিক অদুগী মমিং সুকল প্রসাদ (৪৭) অপোকপা জমুনা প্রসাদ কৌই। মহাক য়ু পিগী লক্ষমিপুর ভিলেজগী গোলাপুরদা লৈবনি। অশিবা হকচাং অদু ঙসি রিমস হোস্পিটালগী মোর্গতা পুরক্লগা পুলিস অমদি ডোক্তরনা য়াম্না কূপ্না য়েংলবা মতুংদা পোষ্ট মোর্টেম তৌখ্রে হায়রি।

অহল অমা শিরে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস): মোরে কোলেজ মনাক্কী চিকিম খুল মনাক্তা গাড়ী মচা থৌরগা লাকপা অহল অমা ওটোরিক্সো অমগা থোমগাইনবদা শোকপদগী মোরেগী হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে। মদুগী মতুংদা অশোকপা অহল অদু ইম্ফালদা অমুক পুখৎপদা লম্বীদা লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবা অহল অদুগী মমিং তোখোলম কিপজেন (৬০) অপোকপা লিংচিম কিপজেন কৌই। মোরেগী চিকিম খুলদা লৈবনি হায়রি।

এক্স-গ্রেসিয়াগী অনীশুবা ইনষ্টোলমেন্ট কায়থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস) : সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টর নেমচা কিপগেননা ঙসি প্রধান মন্ত্রি গরিব কল্যান যোজনা (পি এম জি কে ৱাই)গী মখাদা বেনিফিসরিশিংদা এক্স-গ্রেসিয়া ওইনা লুপা ৫০০/৫০০ পীগদবা শেনফম কায়থোকখ্রে।

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবগী পান্দমদা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা লোকদাউন তৌখিবনা পীরক্লিবা চৈথেংদগী খরদং ওইরবসু কোকহন্নবগী পান্দমদা লৈঙাক্না ইন্দিরা গান্ধী নেসনল ওল্ড এজ পেন্সন স্কিম, ইন্দিরা গান্ধী নেসনল ৱিদো পেন্সন স্কিম, ইন্দিরা গান্ধী নেসনল দিসএবিলিটি পেন্সন স্কিম অমদি নেসনল সোসল এসিষ্টেন্ট প্রোগ্রামগী বেনিফিসরিশিংদা লুপা ৫০০/৫০০ তেংবাং পীনবা শেনফম কায়থোকখিবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা মিনিষ্টর নেমচা কিপগেননা হায়খি মদুদি, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী স্যের ওইনা মিনিষ্ট্রি ওফ রুরেল দিভলপমেন্টনা লুপা লাখ ৩০৯.৮৭ পীথরক্লে। শেনফম অসিগী মনুংদা লুপা লাখ ২৭৭.৯৩ ইন্দিরা গান্ধী নেসনল ওল্ড পেন্সন স্কিমগী বেনিফিসরি ৫৫,৫৮৫ দা পীথখ্রে। লুপা লাখ ২৬.৯০ না ইন্দিরা গান্ধী নেসনল ৱিদো পেন্সন স্কিমগী বেনিফিসরি ৫৩৮০ দা পীথখ্রে অমসুং লুপা লাখ ৫.০৪ না ইন্দিরা গান্ধী দিসএবিলিটি পেন্সন স্কিমগী বেনিফিসরি ১০০৭ তা পীথখ্রে। শেনফম অসি দি বি টিগী খুত্থাংদা পি এফ এম এস শীজিন্নদুনা বেনিফিসরিশিংগী একাউন্টতা চঙহনখ্রে। লৈবাক মীয়াম্না ৱারবা তানফম অসিদা তেংবাংগী শেল পীবীরকপগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু মহাক্না থাগৎপা ফোঙদোকখি।

পল্লেল কৈথেলদগী আইমোলগী খুনশিং তাবা লম্বীগী কিমি ২ রোম শেমখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস) : পল্লেল কৈথেলদগী আইমোলগী তোঙান তোঙানবা খুনশিং চৎখিবা লম্বীগী কিলোমিটর ২ রোম শাংবা শরুক খরা আইমোল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী এসেমব্লী স্পিকর থাংচা আইমোলনা লন্নাই ওইনা শেল পুথোক্তুনা শেমজিনখ্রে।

লম্বী শেমজিনবা অদুগী মতাংদা য়ুনিয়ন অসিগী এসেমব্লী স্পিকর থাংচা আইমোলনা ফোঙদোকখিবদা, তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা আইমোল কাঙলুপকী তোঙান তোঙানবা খুনশিংগী অমত্তা ঙাইরবা মরুওইবা লম্বী কয়া লৈরি। পল্লেল খুনদগী চঙলিবা লম্বীগী ফীভম শোকপনা খুঞ্জাশিং চৎথোক-চৎশিন্দা খুদোংচাদবা কয়া মতম শাংনা মায়োক্লদুনা লাক্লি। লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিং, এ দি সী, লোকল এম এল এদা হায়জবসু শেম্বীদনা লৈরকখি। খুঞ্জাশিংনা থেংনরিবা অৱাবা, খুদোংচাদবা কয়া অদু য়েংলগা পল্লেল কৈথেলদগী আইমোলগী তোঙান তোঙানবা খুনশিং চৎখিবা লম্বীগী কিলোমিটর ২ রোম শাংবা শরুক খরা অসি শেমজিনখিবনি।

নোংজু থাগী মাঙওইননা লম্বী অসি লন্নাই ওইনা শেল পুথোক্লগা শেম্বনি। পল্লেল কৈথেলদগী লাইথোপচীং ফাওবগী লম্বী ফৎতবা মফমশিং নুঙ থাদুনা শেম্বনি। লম্বী অসি মতম শাংনা ফীভম ফৎতনা লৈরকপনা খুঞ্জাশিংদা চাউনা অৱাবা মায়োক্লরি। অৱাবা ফীভম কয়া থেংনরিবা অসিদা তঙাইফদনা লম্বী অসি শেম্বনি। নোংজু থা লাকখ্রবদি হেন্না ফীভম শোকখ্রগনি। লমদম অসোমগী মীয়ামগী চৎথোক-চৎশিনদা য়াম্না মরুওইবা লম্বী ওইরিবা অসি মরী লৈনবশিংনা শেমজিন্নবা মীৎয়েং চঙলক্তবদগী লন্নাই শেল পুথোক্লগা শেম্বনি হায়নসু মখা তাখি।

এদিসনেল এস পি, এন এ বিগী থৌওং অম্বানা কন্দেম তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস): ঙসি অয়ূক পুং ১১.৩০ রোম তারকপদা উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা ওল মণিপুর বার এসোসিএসন (অম্বা)গী ওফিসতা এসোসিএসন অসিগী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী ইমর্জেন্সি মীটিং অমা পাঙথোক্তুনা এন এ বিগী এদিসনেল এস পি, টি ঐচ বৃন্দানা থা অসিগী ২১দা লম্ফেলদা লৈবা স্পেসল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস)তা উৎখিবা থৌওং অদু য়াওনা জুদিসল ইন্সটিট্যুসনগী ইকাই খুম্নবগী মায়োক্তা মহাক্কী ফেসবূক একাউন্টতা অপলোদ তৌরকখিববু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে।

মীটিং অসিগা মরী লৈননা অম্বাগী জেনরেল সেক্রেটরি থিংবাইজম মহিরানা থোরকখিবা চেরোল অমনা হায়বদা এদিসনেল এস পি অসিগী থৌওংশিংগী মতাংদা য়াম্না কুপ্না খন্নখি হায়রি। লোয়ননা অম্বাগী ওইনদি লৈবাকসিগী মীপূম খূদিংমক্না লোবু ইকাই খুম্নগদবনি হায়বগা লোয়ননা লোগী মথক্তা কনামত্তা লৈতে হায়রি। লো ভাইয়লেট তৌবা অমসুং জুদিসল সিষ্টমবু লান্না লমজিংনবা হোৎনবা মীওই পূম্নমক্কী মায়োক্তা অম্বানা মতম খূদিংমক্তা লেপকনি। মীপূম খূদিংমক্না লোবু ইকাই খুম্নদুনা মসিবু ঙাক্না চৎকদবনি। মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা মসিগী মতাংদা য়েংশিনবগা লোয়ননা শোয়দনা লিগেল এক্সন লৌখৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। মসিনা অসিগুম্বা পামদবা থৌওংশিং অসি মতুংদা অমুক হন্না থোরকহন্দনবগী খূদম অমা ওইহনগদবনি হায়রি।

ꯃꯥꯡꯈ꯭ꯔꯦ/DOCUMENT LOST

I have lost my Original Marksheet, Admit Card and Certificate of HSLC Examination 2005 (Old course) bearing Roll No. 2127 issued by Board of Secondary Education, Manipur on the way between My residence and Imphal Bazar on 20/03/2020. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Khaidem Rambo Meitei
Lamlai Nongada
HL-P/6758/27

HEIROK SANATORIUM SEVA ASHRAM
Heirok Bazar, Thoubal Dist. Manipur
ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি হৈরোক সনাতোরিয়ম সেভা আশ্রম (সেভাশ্রম) অসি মণিপুর সোসাইটিজ রেজিষ্ট্রেসন এক্টকী মখাদা রেজিষ্টর তৌদুনা রেজিষ্টর নং ৯৩ ওফ ১৯৯১, ফংদুনা চহী ৫০ হেন্না মীয়ামগী য়াইফনবা অমদি মীয়ামগা লোয়ননা লৈরক্লবা ওর্গনাইজেসন অমনি। ওর্গনাইজেসন অসিনা কোল্লিবা লমদা ওর্গনাইজেসনগী অয়াবা য়াওদনা কনাগুম্বা অমত্তা চঙশিনবা, ইঙ্খোল কোয়শিনবা অমদি উপান্বী য়াম্থোকপা য়াদে। অদুগা সেভাশ্রমনা কনাগুম্বদা মাগী লম শীজিন্নবগী অয়াবা পীখিবসু লৈতে। মরম অসিনা কনাগুম্বনা খঙনা নৎত্রগা খঙদনা সেভাশ্রমনা কোল্লিবা জগাদা চঙলম্বা, ইঙ্খোল কোয়শিনবা অমদি উপান্বী য়াম্থোকপা থোক্লগদি য়াম্না থুবা মতমদা লেপ্পবা/থোকখিনবা খঙহল্লি। করিগুম্বা থোক্লিবা নোটিশ অসিবু থৌশাদদুনা ওর্গনাইজেসনগী মায়োক্তা লৈবা তারগদি মখোয়গী মথক্তা আইনগী ওইবা লৌখৎফম থোকপা লৌখৎকনি হায়দুনা মরী লৈনবশিংদা খঙহল্লি।

লোয়ননা সেভাশ্রমনা অনৌবা মেম্বর লৌশিনখিবা লৈতে হায়দুনসু খঙহল্লি।

Sd/- 1) Khundongbam Shanta Singh
President, Heirok Sanatorium Seva Ashram, Heirok
2) Hidangmayum Devananda Sharma
Secretary, Heirok Sanatorium Seva Ashram, Heirok
HL-P/6759/27

ꯃꯥꯡꯈ꯭ꯔꯦ/BANK PASS BOOK LOST

I have lost my Bank Pass Book of SBI, Thoubal branch bearing A/c no. 20298640394 on the way between Imphal and Wangjing on 8th May, 2020. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Tekcham Motilal Singh
Wangjing Tekcham Leikai
Mobile No. 7005849774
HL-P/6190/27

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)

NOTICE FOR OBJECTION

Imphal, the 19th May, 2020

No.Prop/SR/IW/2020: It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from "Awang Leikinthabi Yaiphakol Youth Club" on 15-05-2020 for registration under Section 4 (1) (2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of "Awang Leikinthabi"

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (Aadhaar of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of propose society/Organisation/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

Sd/- **P. Memi Devi**
Deputy Registrar of Societies, Imphal West
HL-P/7017/27

ꯑꯣꯟꯂꯥꯏꯟ ONLINE CLASSES ꯀ꯭ꯂꯥꯁ
ENGLISH & RHYMES COURSES
CLASS X ENGLISH (BOSEM) EXAM ORIENTED COURSE
➢ SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
➢ RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764
HL-P/7003/16,18

ꯊꯥꯒꯠꯄ/ ওজা KABIRAJ ABDUL HAK পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি

কবিরাজ ওজা অবদুল হক্কী পাউতাক্কী মতুংইন্না হীদাক চাবা অমদি তৈবা তৌজবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা পাইলসকী প্রোব্লেমশিং খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী চেকখায়রগা ঈ য়াওবা, থুপ্পা, চিকপা, শাবা, অমাংথোঙদা ব্রি-ব্রি চৎপা, হাকৎচবা, কক-কক থিনবা, অমাংথোঙগী মনুং অমদি মপান্দা পোম্বা, মচুম-তারগা চিকপা, গ্যাষ্ট্রিক অমদি খ্বাং নাবনি। অদুবু ৱাঙ্গোইগী ওজা কবিরাজ Abdul Hak, Contact No. 8794429681, 8014623756তা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী অনাবশিং মপূং ফানা ফজরে অমদি নুংঙাইজরে। ওজাবু পুন্সি শাংনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইহনবীয়ু হায়না অল্লাদা নীজরি। মরম অসিনা ওজা অবদুলবু থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-
1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6.30-4pm)
2. 7th MR Gate Khabeisoi, (Wed.-Thurs.) (10 am to 4pm)

HL-P/6245/27 *থাগৎচরিবা :* **O. Raju Singh,** Heirok Part - II

ꯅꯨꯡꯁꯪ/নূংশঙ (পাইলস) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লি

Naorem Ibomcha

নূংশঙগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- মপান্দা পোম্বা, তংবা, ঈ তাবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, অমাংথোঙ চোন্থবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মনুংদা পোম্বা (হেমোরোয়র্দ), হাক্কৎচবা অদুগা খোঙ হাম্বা য়াদবা অসিনি। অদুগা অতোপ্পা লায়ওং খরনা হকচাংদা তাং-তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ-খূৎতা চিকপা, পোম্বা, পংথবা-শিথবা হকচাংগী শরুকশিংদা শিংলি-নাওরি নুংঙাইতবা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ফহন্নীংবা লৈরগদি হংবীনীংবা লৈরগদি অমুক্তং লেংথোকপীরক্নুনা তানবীয়ু।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai
Contact Nos. 8014023792/6009147645
HL-P/6708/05-05to4/06